# চরচিল ব্রাদর্সনা ফেদরেসন কপকী অহানবা ওইনা টাইতল লৌখ্রে



*কোচি, জনুৱারি* ২৬ ঃ নেহরু ষ্টেদিয়মগী ফ্লড লাইদতা ঙরাং শান্নখিবা ফেদরেসন কপকী ফাইনেল মেটচতা চরচিল ব্রাদর্সনা স্পোর্টিং ক্লব দি গৱাবু গোল ৩–১ দা মায়থীবা পীরগা কপ অসিগী অহানবা টাইতল লৌখ্রে।

চরচিল ব্রাদর্স অমদি স্পোর্টিং ক্লব দি গৱানা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুগী ২১ শুবা মিনিটতা চরচিলগী বালৱান সিংহনা অহানবা গোল একাউন্ট হাংদোকখি। অহানবা হাল্ফকী মতম লোয়বা ফাওবদা চরচিলনা গোল ১–০ দা মাঙজিল থাখিবগা লোয়ননা অনীশুবা হাল্ফকী শরুক্তা গোল ২ অমগা চনশিনবা ঙমখি অদুগা স্পোর্টিং ক্লব দি গৱানা শুপ্নতগী গোল ১ দগী হেন্না হন্দোকপা ঙমখিদে। চরচিলগী অনীশুবা অমদি অহুমশুবা গোল অদু অনীশুবা হাল্ফ হৌগৎলকপগী অনীশুবা মিনিট (৪৭)তা আলেস সাৱন অমসুং ৬৫ শুবা মিনিটতা এফদেল হামিদ সাবানানা চনখিবনি। স্পোর্টিং ক্লবকী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা ভিক্টোরিনো ফরনান্দেজনা ৬৭ শুবা মিনিটতা চনখিবনি।

গৱাগী জাইন্ট ওইরিবা টিম অনী অসিগী ৱিন্নর ওইখিবা চরচিল ব্রাদর্সনা লুপা লাক্ষ ২৫ অমদি অহুমলক চেম্পিয়ন ওইগদবা মেটচতগী মায়থীহৌরবা স্পোর্টিং ক্লব দি গৱানা লুপা লাক্ষ ১৫গী মনা ফংখি। চরচিলগী অহানবা গোল চনখিবা বলৱাননা টুর্নামেন্ট অসিদা পুন্না গোল ৪ চন্দুনা খ্বাইদগী পার্ফোমেন্স ফজনা পীখিবা শান্নরোই ওইখি। চরচিলগী গোলকিপর ওইখিবা ললিৎ থাপানা ৪৮ শুবা মিনিটতা স্পোর্টিং ক্লব দি গৱাগী ওকবা কালুনা পেনাল্টি এরিয়া মনুংদগী কাওশিনখিবা গোল ওন্থোকপা য়ারবা তাঞ্জা অমা সেব তৌদুনা অরেম্বা তাহনখি।

# ওষ্ট্রেলিয়ান ওপনগী মিক্স দবলস্তা সানিয়া মিরজা–হোরিয়া টেকাউগী জুডা রন্নর্স অপ তাহৌরে




অষ্ট্রেলিয়ান মিক্স দবলসকী ৱিন্নর অমদি রন্নর্স ওইখিবা নেস্তর–লাদেনোভিক অমদি হোরিয়া–সানিয়া (য়েৎ)।

*মেলবোর্ন, জনুৱারি* ২৬ ঃ ইন্দিয়া অমদি রোমানিয়াগী জুডা সানিয়া মিরজা অমসুং হোরিয়া টেকাউ কনাদা অমদি ফ্রান্সকী জুডা দেনিয়েল নেস্তর অমসুং খৃষ্টিনা লাদেনোভিক্কী মখুৎতা ৬–৩, ৬–২ দা মায়থীহৌদুনা ওষ্ট্রেলিয়ান ওপনগী মিক্স দবসলসকী রন্নর্স অপ তাহৌরে।

নেস্তর অমদি লাদেনোভিকনা তরুকশুবা সিদেদতা লৈরিবা সানিয়া অমদি টেকাউগী জুডা অসিবু মায়থীবা পীবদা শুপ্নতগী মিনিদ ৫৮ খক্তম চঙখি।

টাইতল লৌখ্রবা নেস্তরনা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী মপাং ওইখিবা লাদেনোভিক অসি মিক্স দবলসকী ওইনা অফবা শান্নরোইশিংগী মরক্তা চনবা শান্নরোই ওইবনা মেটচ মনুংদা মহাক্কী চাওরবা মতেং কয়া য়াওখি। নেস্তরনা অচৌবা মেন্স দবলসকী টুর্নামেন্ট মরিদা মায় পাকপা ঙমখ্রে। হন্দক্কী অসিনা অষ্ট্রেলিয়ান ওপনগী মিক্স দবলসকী অনীরক শুবা টাইতল লৌবা ওইরি। অহানবা টাইতল অদুনা হৌখিবা ইং ২০০৭ দা মেলবোর্ন পাকতা লৌখিবনি।

# খৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডো অমদি বেঞ্জেমানা রিয়েল মেদ্রিদপু লা লিগাগী মকোক্তা লৈহনখ্রে



*মেদ্রিদ, জনুৱারি* ২৬ ঃ রিয়েল মেদ্রিদকী ষ্ট্রাইকর খৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডো অমদি করিম বেঞ্জেমাগী গোলনা গ্রানাদাবু ২–০ দা মায়থীবা পীরগা লা লিগা কপকী মকোক্তা লৈহনখ্রে।

ঙরাং সান্তাইগো বরনাবিয়ুদা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফকী শরুক্তা টিম অনীমক্না গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নখিদ্রবসু অনীশুবা হাল্ফকী ৫৭ শুবা মিনিটতা রোনাল্ডোনা টিম অসিগী অহানবা গোল চন্দুনা মায় পাক্লবগী লম্বী শেম্বা হৌখি। মেটচ লোয়গদবা মিনিট ১২ খক্তা ঙাইরবা মতম (৭৮) দা বেঞ্জামানা অনৌবা গোল অমগা চন্দুনা ২–০ দা মায় পাকখিবনি।

বেঞ্জামানা মেটচ ৬ শান্নখিবদা গোল ৫ চনবা ঙমখ্রে। রোনাল্ডোগী ওইনদি মেটচ অদুগী গোল অসি থারগা সিজন অসিদা গোল ৩১ চনবা ঙমখ্রে। মতম শাংনা কপ অসিগী মকোক ওইবা ঙমদনা লাক্লমখিবা অদু ঙরাং মায় পাক্লগা কপ অসিগী মকোক্তা লৈখিবনি। ইং ২০১২ কী মে থাগী মতুংদা মকোক ওইবা ঙমদনা লাকখিবনি।

# ঙসি নুংথিল মণিপুরগী অহানবা মেটচ শান্নরগনি

*ইম্ফাল, জনুৱারি* ২৬ ঃ ৬৮ শুবা নেস্লো ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ফোর সন্তোস ট্রোফি ২০১৪গী নোর্থ ইষ্ট জোন ক্বালিফায়িং রাউন্দ মিজোরামগী আইজোলদা হয়েংদগী শান্নবা হৌরগনি। মণিপুরগী অহানবা মেটচ হয়েং আসাম রাইফলস গ্রাউন্দদা নুংথিলগী পুং ৪ তাবা মতমদা অরুনাচল প্রদেশকা থেংনরগনি।

গ্রুপ (এ)দা মণিপুরনা য়ুম্বু মিজোরাম, নাগালেন্দ অমদি অরুনাচল প্রদেশ পুন্না লৈমিন্নরি। গ্রুপ অসিগী মকোক ওইবা টিম অদুনা মেইন রাউন্দগীদমক ক্বালিফাইদ ওইগদবনি। মণিপুরগী মেনেজর দব্লিউ মনিহারনা টেলিফোন্দদা ঐখোয়গী পাউমীদা ফোঙদোরকখিবদা টিম অসিনা লৈরিবা মফমগা প্রেক্টিস গ্রাউন্দগা য়াম্না লাপ্পনা লৈখিবনা খুদোংচাদবা খরা মখৈদি থেংনৈ অদুবু য়াম্না নুংঙাইনা লৈরি। শান্নরোই অমত্তা অশোক অপন য়াওদে।

অনীশুবা মেটচনা তাং ২৯ দা নাগালেন্দগা অদুগা অরোইবা মেটচনা তাং ৩১ দা মিজোরামগা শান্নগনি।

মণিপুরগী টিম অসি ষ্ট্রাইকর কে ঐচ নাওতোন সিংহনা লুচিংলি। অতোপ্পা শান্নরোইশিং অদুদি গোলকিপরদা এল প্রেমকুমার সিংহ, টি খোংশাই, সি ঐচ কুমার সিংহ, দিফেন্দরদা থাংথাং কোম, ৱাই কৃষ্ণকুমার, টি ঐচ ইতোম্বা সিংহ, দেনিয়েল এল মার, এ হেরোজিৎ সিংহ, এম দি সোহেল সাহা, মিদ ফিল্ডরদা থাং কুকি, এম দি সহিদুর রহমন, এল গৌরো সিংহ, এম দি ইমরান খান, এম দি রিয়াজ খান্দ, এন সুশিল মৈতৈ, খৃষ্টোফর কামৈ, ষ্ট্রাইকরদা টি ঐচ প্রেমকুমার, এল সনাতোম্বা অমদি কে ঐচ ছটিশনি।

টিম অসিগী কোচনা এস প্রেমকান্তনি।

# মোদেল ক্লবকী মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে

*ইম্ফাল, জনুৱারি* ২৬ ঃ মোদেল ক্লব চিঙামখাগী ৬২ শুবা মপোক কুমওনগী থৌরম ঙসি লৈময়োল আর্ট সেন্টর হোল চিঙা মখাদা পাঙথোকখ্রে। ক্লব অসিবু লিংখৎলম্বদা অচৌবা থৌদাং লৌরমখিবা লাইওইখ্রবা অহল–লমনশিংবু নীংশিংবা ওইনা শরুক য়াখিবা মীওই খুদিংমক্তনা মিনিৎ অনী তুমিন্না লেপ্পুনা অৱাবা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ক্লব অসিগী প্রসিদেন্ট য়াওনা অহল ওইরবা মীওই কয়াসু দাইজতা ফমখি। লাইশোন ইশৈ অমদি লৈবাক নিংবগী ইশৈ কয়াসু শক্লাইরবা কালাকার কয়না লাম্থোকখি।

# এথলেটিক্তা ইন্দিয়ানা গোল্ড ৬ লৌখ্রে

*পানাজি, জনুৱারি* ২৬ ঃ পানাজিদা চত্থরিবা ইন্টরনেস্নেলগী এথলেটিক মিটকী ট্রেক এণ্ড ফিল্ড ইভেন্টতা ইন্দিয়ানা মখা তানা গোল্ড ৮ অমগা লৌদুনা হৌজিক ফাওবদা গোল্ড ২৫, সিলভর ১৮ অমদি ব্রোঞ্জ ১৫ লৌরগা পুন্না মেদল ৫৮ ফংবা ঙমখ্রে।

পোর্টুগলনা গোল্ড ১১, সিলভর ৭ য়াওনা পুন্না মেদল ২৫ ফংখ্রে। ইন্দিয়াগী হর্সিদ মসিদারনা নুপা হায়জ জম্পতা, ষ্টেপল চেসকী শান্নরোই সচিন পাটিলনা মিটর ৩০০০ গী ষ্টেপল সেচতা গোল্ড লৌখি। নুপীগী মিটর ৪০০গী হর্দলদা অনু ভাগবান, ট্রিপল জম্পতা ভাইরাবী রোয়, মিটর ২০০গী লমজেলদা রেঙ্গীথা চেলানা গোল্ড মেদল লৌবগা লোয়ননা নুপীগী 4X400 কী রিলেদসু গোল্ড অমা লৌখি। ট্রেক এণ্ড ফিল্ড ইভেন্টকী অহৌবা নুমিৎতা গোল্ড ১৫, সিলভর ১৪ অমদি ব্রোঞ্জ ৮ লৌবা ঙমখি।






Published by Nongpok Publishers Pvt.Ltd, Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hajari Leikai Imphal Editor in charge: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, 2441490
*e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com,*